# কে ঐচ আইসোমনিনা ডাইরেক্সন পীবা মণিপুরি ফিচর ফিল্ম‘কাও ফাবা’



ডাইরেক্টর কে ঐচ আইসোমনি

লাকশন–পুশিনবগা লোইননা অচুম্বা লম্বিদা লমজিংবীবগী তঙাই ফদনা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংগী ইনখৎলকপাগী লুরবা তাঙ্কক অসিবু মোইরাং কংলৈরোলগী খম থেংনা অৱবা তাঙ্কক অমা ওইনা খুমনগী ইকোপ পার্টত্তা চাক্তদুনা তুমিৎ–য়ুরান ফাওবা পাইবা ঙমহনদনা অদুক্কী মতিক অৱাবা তাঙ্কক অমা ওইহনখিবা তাঙ্কক লাকশিন–ফাজিনবা ঙমদ্রবা ‘কাওরেন ঙাঙবা’গা চাংদম্নদুনা অসিগুম্লবা তাঙ্কক অসিদা মতৌ করম্না ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংবু ফাজিনগদগে হায়বগী মেসেজ অমা পীন্নবা হোৎনরিবা লমদম অসিগী শক্লাইরবা রেদিওগী প্লে–রাইটর অমশু ওইরিবা মোইরাং থেম ইনাওগী ‘কাও ফাবা’ হায়বা ইচম চম্বা ফেম্মিলি,রোমন্সগী ওইবা ৱারি পরিং অমদা মতম শাংনা মণিপুরি ফিল্মগী মন্নদবা হীরম কয়াদা সেল্লুলোইদ অমদি দিজিটেলদা লেপ্পা লৈত্তনা মাই পাক্লা মথৌ পাংথোক্তুনা লাক্লবা কে ঐচ আইসোমনি না ডাইরেক্সন পীদুনা পুথোকপা বিমিক ফিল্ম প্রসক্সনগী ওইনা অহানবা প্রদক্সন ওইরিবা ‘কাও ফাবা’ হায়রিবা মণিপুরি ফিচর ফিল্মনি।

অপোকপা–অপোকপি নৌনা কাইনখ্রবা পুন্সিবা ময়াম্বা চিংলেন(গোকুল) অমদি মতৈমা লৈমা(সোমা)না মচা অমাগুম য়াম্না লুনা তৌজে।

শম্না হায়রবদা তমজনিংঙাই ওইরবা মচিন–মনাও ওইবগী মরি লৈনবা ইমুং অমা ওইনা অৱাৎপা লৈত্তনা ইংনা চিন্না নুংঙাইনা লৈবা ইমুং অমনি।

অদুবু ইনখৎলকপগী অকনবা ইথক ইরাংদা তাওদুনা লৈবা,লাংবা পাম্বা মতম অসিদা নহা অমা ওইরিবা মনাওনুপা পুন্সিবা অহোংবা–অওনবা লৈত্রবা,হৈনবী ওইরক্লবা লমচৎ–শাজৎপু অওনবা অমা ওইনা শেমদোকত্রগদি ফাজিন পুশিনবা ঙমদ্রবা ‘কাওরেন ঙাঙবা’না ইকোপ পাৎতা নৈদুনা অপুনবা খুমন লমদমদা ফংখিবা খুদোংচাদবা অদুগী হেন্না তমথিরবা চৈনা অমা ফংলকলোই হায়নিংঙাই লৈতে।

খনবা য়াবা খন্নরবা মতুংদা ময়াম্বা চিংলেন (গোকুল) অমদি মতৈমা(সোমা) তান্নদুনা য়ুমদু থাদোক্তুনা চৎনবা শেম শারম্মি।

চিংলেন না মাগী মরুপ পুলিস ওফিসর অমদা ৱারম পুন্নমক শীন্নরমদুনা ফাজিন পুনশিনবগী তঙাই ফদবা লৈরবা মনাওবু অমুক্তং লাকশন্নবা উপাই অমা ওইনা মনাওদা তাক্লমদনা ময়ুম থাদোক্তুনা চৎখি।

অসিগুম্লবা তঙ্গা অসিদা চিংলেনগী প্লান অদুনা মাই পাকপগী লম্বীদা চশিনলত্তুনা ঙাওবা লাংবানা মথৌদাং ওইদুনা লৈরম্লবা মনাওনা ৱাখল তারক্তুনা ময়াম্বা অমদি মতৈমাগী খোংগুল লীবা হৌরকখি।

অসিগুম্লবা তাঙ্গা অসিদা ময়াম্বা চিংলেনগী মরুপ পুলিস ওফিসর অদুনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা চিংলেনগী মনাও পুন্সিবাগী পুন্সিদা অওনবা অমা পুরক্তুনা লাকশিন ফাজিনবা ঙমদনা লৈরকখিবা ইকোপ পাৎতা চাক্তাবা কাওরেন ঙাঙবাবু লাকশিনখিবগুম লাকশিন্দুনা মতিক চাবা লমদম অসিগী থৌদাং চাওবা মীশক অমা ওইখি,হায়বা অসিনা ফিল্ম অসিগী শন্নকপা ৱারি ওইরি।

ফিল্ম অসিগী স্ক্রিনপ্লে রাইটর অমসু ওইরিবা কে ঐচ আইসোমনিনা মতাং চনা –চনা শিজিন্নরিবা কোমিক ওইবা ইলিমেন্ট কয়া মফম চনা–চনা শিজিন্নদুনা অয়েংবা ভাবোকশিংগী পুক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনরি।

ফিল্ম অসিগী সিন অয়াম্বানা মশা নাল্লি য়েংবদা নুংঙাইবা ওই। হান্নদগী হৌনা মীয়াম্না পাম্নরবা এক্টর,এক্ট্রেস অমা ওইরিবাশিং অসি নত্তবা অহানবা ওইনা বিমিক ফিল্ম হায়রিবা বেন্নর অসিনা নৌনা শক্তক্লিবা এক্টর নাওপাগী প্রাফোমেনস য়েংবা নুংঙাই ,খরা খাজিক ওইহনিংবদা ওইরক্তবা য়াওরবসু ওভর ওল য়েংবদা শিংথানিঙাই ওইবনা তুংদা আশা তৌবা য়াই হায়জনিংই। ইনখৎলকপা মতমগী য়াম্না ঙাওজবা,নুংশি নুংওন্দা তাওরকপা,য়োবনগী মতম,ইমোসিনেল ওইবা সিন অমদি ফাইর্ট সিনশিংদা নৌনা ইন্ট্রোদুশিং ওইরিবা নাওপাগী সিনশিং পুক্নিং চিংশিননিঙাই ওই।

ষ্টোরিনা দিমান তৌবা,য়াম্না মতাং চানা সোং সিক্যুন্স ৩ য়াওবা ফিল্ম অসিগী ঈশৈ ময়েকশিংগী অয়িবনা– আইসোমনিনি। ম্যুজিকনা– রিশি সুরমনি অমদি রিথেম থিয়াম, সিংঙ্গরনা– পুস্পারানি,সুরেন অমদি উমানন্দা,ষ্টোরিনা– মোইরাংথেম ইনাও,গেষ্ট সেনিমাট্রোগ্রাফরনা–সুরচান্দ,সেনিমাত্রোগ্রাফরনা–কিরন কোইজম,ক্সতুমন–গালিফা, ভি এফ এক্সনা–আইসোমানিনা ওইরিবা ফিল্ম অসিগী এষ্টিদেন্ট ডাইরেক্টর অমদি প্রাদুসরনা–বেমবেমনি।



ইদিটর,স্ক্রেন–প্লে,লিরিক্স লোইননা ডাইরেক্টরনা–কে ঐচ আইসোমনিনা ওইরিবা ফিল্ম অসিদা মরু ওইনা শত্তুম লাংলিবশিংদি–গোকুল,সোমা,বলা,মোধুবলা, রতন লাই,সঙ্গিতা,ইবোহল অমদি কুমারনচিংবা ওইরি।

ইন্ট্রোদুশিং ঃ– নাওপা(পুন্সিবা) ফাজহনিংবা শেমদোকহনিংবা এরিয়া খরা য়াওজরগসু বেন্নর অসিগী অহানবা প্রদক্সন ওইজরগসু তশেংনমক মাই পাক্লবা ফিল্ম অমা ওইরে। মখা তারকপদা লমদম অসিগীতা নত্তবা নেসনেল,ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা উৎপা য়াবা ফিল্মশিং পুথোক্লবা হোৎনহন্নিই।




ঐচ ৰাজেসে

# ষ্টেটকী থাক্তা শান্নবগী পাউদম

## সি সি মীট–সাগোলবন্দ য়ুনাইটেদ সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ৩০ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক ফুটবোল তর্ফতা টিম ৩১ না শরুক য়াদুনা চথরকলিবা ৬১শুবা সার চুরচান্দ সিংহ, কেসিএসআই, সিভিই মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯ গী ঙসি শান্নখিবা ২৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সাগোলবন্দ য়ুনাইটেদ ইম্ফাল ৱেষ্টনা এ আর সি শিল্লোংবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।



মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং পেলহনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসি অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতা সাগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা অনৌবা লাংলোন শিজিন্নরক্তুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎনরক্তুনা এ আর সি শিল্লোংগী গোল কিপ্পর টি ঐচ রোসনবু কয়ারক হন্না চায়েং তৌখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি।

সাগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী মিল্ড ফ্লিদর জর্সি নম্বর ২৫ তাজুদিননা খাইরকপা বোলদা ফালগুনিনা এটেম তৌশিনখিবা বোল অদু কিপ্পরনা সেপ তৌখিবদগী গোল মাঙজিল থাবা ঙমখিদে।

এ আর সিনা চথখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২০ ৱাস গিরিয়ান সনাননা তৌশিনখিবা হেদিং অদু ফৈনা চৎখিবদগী অরেম্বা তাখি।

সাগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী ষ্ট্রাইকর ওইরিবা জর্সি নম্বর ১৪ এল সনাতোম্বানা ওপন নেটদা কাওশিনখিবা গোল এটেম অদু বার মথক্তা চৎখিদুনা গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

মেটচ অসিগী গোল একাউন্ট হাঙবা ঙমদনা লাকখিবদু মিনট ৭৮ চৎপদা সাগোলবন্দ য়ুনাসটেদকী জর্সি নম্বর ৮ অঙৌসনানা কাওরকখিবা ফ্রি কিক অদু শিল্লোংগী গোল কিপ্পর টি ঐচ রোসননা নিংথিনা কলেক্সন তৌবা ঙমহৌদবদগী বোল অদু অহাঙবা নেট মনুংদা চঙহন্দুনা মেটচ অসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চন্দুনা সাগোলবন্দ য়ুনাইটেদ সেমি ফাইনেল তম্না পুশিনখি।

মেটচ অসি প্রিয়োবত্তা,এম দি লাটিফ,রোজিট অমদি সনাতোম্বানা মথংশিংনা সেন্টর রেফ্রি,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ১,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ২ অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ১.৩০ তবদা খুমন লম্পাক মেন ষ্টিদিয়মদা ট্রাউ ক্বাকৈথেল ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি লবান এফ সি শিলোংগা ৪শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নগনি।

## অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট লনচেনবি এফ সি সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ৩০ঃ

পার্টসোই তুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লবনা শিন্দুনা পার্টসোই পার্ট–৩ ফুটবোল গ্রাউন্দা টিম ২১ না গ্রুপ ৭ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ১৮ দগী চথরকপা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা ৪ শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা লনচেনবি এফ সিনা থোইবা এফ সি থিয়াম লৈশাংথেমবু গোল ৭–২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।



ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসিদা লনচেনবি এফ সিনা থোইবা এফ সিবু লাকশিন্না শান্দুনা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনটশিংদগী গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা প্রেসর পিশিনখি।

মেটচ গী মিনট ৭ চৎপদা লনচেনবি এফ সিগী জর্সি নম্বর ১০ হেরোজিটনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

টিম অসিগী অনীশুবা গোল অদু মিনট ১১ চৎপদা জর্সি নম্বর ৫ নোরেননা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। গোল ২ মাঙজিল থারবা মতুং মিনট ৩ কান্নরগা মিনট ১৪ দা লনচেনবি এফ সিগী জর্সি নম্বর ৪ অমিটনা অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

থংনবা মিনট ১৫ দা গোল শোখরিবা থোইবা এফ সিগী জর্সি নম্বর ১১ প্রিকান্তনা গোল হন্দোক্তুনা ৩–১ দা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই মিনট ২২ দা থোইবা এফ সিগী জর্সি নম্বর ৭ রোসননা অনীশুবা গোল হন্দোক্তুনা ৩–২ দা লৈখি। অদুবু মিনট ২৪ চৎপদা লনচেনবি এফ সিগী জর্সি নম্বর ২ ঙৌবনা মহাক্কী টিমগী ৪শুবা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৪–২দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল মাঙজিল থারিবা লনচেনবি এফ সিনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা শান্নরকখি। মদুগী মহে ফংদুনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৩ মহেসনা মিনট ৩২ চৎপদা ৫ শুবা গোল চনখি।

লেমহৌবা মিনটশিংদসু বোল পোসিসন হন্থাদনা শান্দুনা মহেসনা অপীবা মিনট লোয়রমদাই ৪৯ অমদি অহাপ্পা মিনট ৫০ প্লস ২ দা গোল অনী মখা তানা হাপচিন্দুনা মেটচ অসি ৭–২ দা মায় পাক্তুনা লনচেনবি এফ সি সেমি ফাইনেল চঙখি।

## অহুমশুবা সঙাই ট্রোফি ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল,মার্চ ৩০ঃ

য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ঙসিদগী মপাল কাংজেবুংদা ৩শুবা সঙাই ট্রোফি হৌরাগনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ভের্টনারি এন্দ এনিমেল হর্সভেন্দরিগী ডাইরেক্টর ঐচ চাউবা, য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এন জি ব্রাজ কুমার অমদি অস্ফাগী প্রসিদেন্ট এস সনাতোম্বনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোক্কনি।

## অহানবা ষ্টেট লেভেল মাইচোন ট্রোফি ২০১৯
### এফ এফ সি অঙথা অমদি য়াম্বেম এফ সি মায় পাকখ্রে

থৌবাল,মার্চ ৩০ঃ

মণিপুর ইমাগী চাঙদম্নাফম ওইবা নচাশিং (মাইচোন) চরাংপাট মমাঙ লৈকাইনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৯দগী টিম ১২না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চরাংপাট মমাঙ লৈকাই পোলো গ্রাউন্দা চথরিবা অহানবা মাইচোন ট্রোফি ২০১৯ ৭–এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এফ এফ সি অঙথানা মায়চোন (বি)বু ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

এফ এফ সিগী গোল অদু এন ওলেননা মিনট ৩২ অমদি ৩৩ দা চনখি। মায়চোন (বি)গী গোল অদুনা সুসিলকুমারনা মিনট ২ দা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা তোলহৈ এফ সিনা য়াম্বেম এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। তোলে এফ সিগী গোলশিং অদু এস বোইচৌনা মিনট ৯ অমদি রোনাদোনা মিনট ৩১ দা চনখি।

য়াম্বেম এফ সিগী গোল অদুনা মিনট ৩০ দা জেমসননা চনখি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com